ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯟ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ১৪, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৭৬শুবা মশীং

## ওভরড্রাফ্ট অমসুং পোলিটিকেল ক্রাইসিস
### লৈঙাকলোয়শিং ফম মুন্নরিঙৈদা মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদ্রে

বেঙ্ককা য়ানখিবগী মায়োক্তা শেল কা হেন্না লৌথোক্লগা শীজিন্নরুবগী লুপা ক্রোর ২৪৭.৪৮ হেন্না ওভরড্রাফ্ট তাদুনা ষ্টেট লৈঙাক্তা মরী লৈনবা ট্রাঞ্জেক্সন পূম্নমক রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না থিংজিনখ্রে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা আর বি আইগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর অনিতা কুমারিনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই)গী চেয়রমেনদা থাখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জুন ১২ দগী মণিপুর লৈঙাক্তা মরী লৈনবা ফাইনান্সিয়ল ট্রাঞ্জেক্সন পূম্নমক থিংজিল্লে। বেঙ্ক অসিগী ব্রাঞ্চ খূদিংমক্তগী মণিপুর লৈঙাক্না শেল লৌথোকপা য়াহল্লোইদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে। আর বি আইগা য়ানখিবগী মায়োক্তা লৈঙাক্কী একাউন্টতগী শেল কা-হেন্না লৌথোকখিবনা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি। কুমজা ২০১০-২০গী 'ৱেজ এন্দ মিন্স' স্কিমদগী হেঞ্জিনবা মওংদা শেল কায়থোক্লুবনা থা অহুমগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২৪৭.৪৮ হেন্না ওভরড্রাফ্ট তাখিবনি। ফাইনান্সিয়ল ক্রাইসিস থোক্তুনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরক্লবদা ষ্টেট লৈঙাক্না রিক্রুটমেন্টকী থৌরাং পূম্নমক থিংজিনখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (দি পি) নিধি কেশরৱানিনা থোকখিবা ওফিস মেম্মরেন্দম অমগী মতুংইন্না ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা এজেন্সিশিং, সোসাইটিশিং, অন্দরটেক্কিং, বোর্দশিং, কোর্পোরেসনশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা রেগুলর, কন্ট্রেকচ্যুয়ল, কেজ্যুয়ল অমসুং এদহোক এপোইন্টমেন্টকী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পূম্নমক খূদক্তগী লেপ্লগনি। দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনেল দিভিজন)গী ওফিস মেম্মরেন্দম অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা ফমশিং লৌনবগীদমক চত্থরকখিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পূম্নমক মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা মতম খরগী ওইনা লেপখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী অতৈ অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিং, এজেন্সিশিং, সোসাইটিশিং, পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং, বোর্দশিং অমদি কোর্পোরেসনশিংগীসু থবক লৌনবগী থৌরাং লেপখ্রে।

অমরোমদা, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা ষ্টেট অসিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা ফম মুন্নবগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোরক্লে। বি জে পিগী এম এল এ ১৪ না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন শিন্দোকপীনবা পার্টিগী সেন্ট্রেল লীদরশিংদা তকশিনবগী থাক ফাওবা য়ৌরক্লে। এসেম্বলি মীখলদা মায় পাক্লকখিবা বি জে পিগী এম এল এ ২১গী মনুংদা ১৪না খূৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন শিন্দোকহন্নবগী মতাংদা অইবা চেরোল অমা নোর্থ ইষ্ট দেম্ক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন ঈ দি এ)গী কনভিনরসু ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা হিমন্তা বিস্বা সর্মদা পীশিনখিবনি। চীফ মিনিষ্টর শিন্দোকহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলক্লিবা এম এল এ ১৪গী মনুংদা মিনিষ্টর খরসু য়াওরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এলাইয়ন্সতা কাঙলুপ অনী থোরকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা কাঙলুপ অমগা মিষ্টির বিস্বজিৎনা লুচিংবা কাঙলুপকা চাউনা উংখৎনবগী মওং অমা উবা ফংলি। হান্নদগী হৌনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মশেলগী মরক্তা য়ান্নদবা ৱাফম কয়া লৈরগসু হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথুবা মতমদা মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌরগনি হায়না লাউথোক্লুবদগী নুংদা ফুমদুনা লৈরম্বা ৱাথোক অসি মপান থোরকখিবনি হায়বা য়াই। নাগা পীপল'স ফ্রন্ট (এন পি এফ)না বি জে পিগী লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা জুন ৫ দা কেবিনেট রিসফল তৌবগী ৱাফম লাউথোকখিবনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শৌগৎপা তোকপগী মতাংদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা এন পি এফকী লুচিংবা টি আর জেলিয়াংনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্না লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিংদা মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওং চত্থরে। এন পি এফকী এম এল এ মরি লৈবগী মনুংদা শুপ্নগী অমখক মিনিষ্টর ওইহল্লগা অতোপ্পা এলাইয়ন্স পার্টনর অমা ওইরিবা নেসনল পীপল'স পার্টি (এন পি পি)গী ওইনদি এম এল এ মরি লৈবদা মরিমক মিনিষ্টর ওইহল্লে। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি মশেলগী মরক্তা মতৌ অসুম্না পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া লাকপদগী তঙাইফদনা মিনিষ্ট্রি রিসফল তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবা ওইরম্ববুদি য়াই হায়ববু রিসফল তৌনবগী থৌরাং অসিনা অমুক্তা হেন্না চাউনা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোকহন্নবগী মরম ওইহল্লেক্লে। হান্না মনুংদা ফুমদুনা লৈরম্বা তারগসু মপান থোক্লা উংখৎনবগী ফীভম অমদা লাকহল্লে। মতাং অসিদা আর বি আইনা অথিংবা থল্লকখিবনা মরম ওইরগা ইমপ্লোয়ী অমদি পেন্সনর খূদিংমক থাগী তোলোপ অমদি পেন্সন ফংলোইদবগী ফীভমদা লৈরে। লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাকলোয়শিংনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মহুৎতা ফম মুন্নবরোমদা হেন্না পূক্লিং চঙবগী মওং অমা উবা ফংলিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

## লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফমশিং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফমশঙশিং অসি অনৌবা মওংদা খরা শেমদোক শেমজিন তৌহন্নীংই। মদু নৎত্রবদি মমা-মপানা মচাশিংবু মহৈ তমহন্নীংবগী চাং ৱাৎখিগনি। অহানবদা মহৈশঙশিং অসি মতমগা চুনবা মওংদা শাবীবা অদুগা মদুদা চঙগদবা মচাকশিং ফজনা থম্বীবা, অনীশুবদা শিন্তাক শিন্দম্বীরিবা (ওজা) শিং অসি মতমগা চানবা ট্রেনিং পীবা, অহুমশুবদা তন্লিবা লাইরিকশিং অসিসু মতমগা চুনবা লাইরিক ওইহনবা হায়বসি মথৌ তাই। হৌজিক্কী মতমসিদদি মীওই অমগী মীংদা লিংখৎপা মহৈশঙনা চেঙগুম শৌবগুম্না লিংখৎনরক্লি শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা। মখোয়না লৌনীং-লৌনীংবা মীংজনশেল অমদি থাগী ফী লৌরি। মসিসু স্কুল অমগা স্কুল অমগা মান্নদ্রি। শেলদি পায়জদবা মীওইশিংনা মচাশিংবু অফবা মী অমদি ওইহন্নীংবনিনা লন্নাইগী মহৈশঙশিংদা তমহল্লি। অদুবু থাগী শেল হুনবা ঙমদবদগী ইমুং মহী লাংবা য়াওদবসু নত্তে। ইরমদম অসি শেল পায়বা ঙাক্তা ঙাইরবনিনা লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা মচা-মশুশিং অমত্তা তমহন্নীংদ্রে। মহৈশঙ খরদি কম্যুনিতি হোল অমদি ক্লবনচিংবা ওন্থোকখিবসু য়াওনখ্রে।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি, লৈঙাক্কী মহৈশঙশিং অসি মরী লৈনবশিংনা নিংথিনা ফজনা য়েংশিনবীদুনা অফবা মওংদা শেমগৎহন্নীংই। মহৈরোয়শিংগী লূপ অমদি তোঙান তোঙানবা এন জি ওশিংনসু শেন্থোক মরাং কায়না লৈজদবা মীওইশিংগী মচা-মশুশিং লন্নাই স্কুলশিংদা তম্বা ফংহনবীয়ু। অদুগা লম-লমদা লৈরিবা মৈরা পায়বী, ক্লবশিংনসু মখোয়গী লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদু করম্না অফবা মহৈশঙ অমা ওইহনগদগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনবীয়ু। মসিগীসু মথক্তা শিন্দম্বীরিবশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। অদুগা মমা-মপা ওইরিবশিংনসু মচা-মশুশিংবু লৈঙাক্কী স্কুলদা করম্না তমহনগদগে হায়বা ৱাখল তাহনবসু মথৌ তাই। শেন্থোক্কা শীজিন্নরিবা শেনফমগা চানদ্রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই চাওখৎপা ঙম্লোই। মহৈরোয়শিংনসু মমা-মপাগী শেন্থোক য়েংলগা চানগদবা মফমদা মহৈ তম্বা মথৌ তাই।

অরোইবদা হায়জনীংবদি মহৈ হৈবা, ময়েক চৎপা হায়বসি লমদম অদুগী মীংচৎনি। লৈঙাক্কী মহৈশঙশিং অসি ফরবতদা লৈবাক অদু শোয়দনা চাওখৎলক্কনি। মদু নৎত্রবদি লৈবাক অসি মনীংদা অদুম হনবা তাবনি। ঐখোয় লিংজেল মান্নবা মথৌ তাই। মানা তৌসনু, মানা তৌসনু হায়বা ৱাখল্লোন্দা লৈরবদি লৈঙাক্কী মহৈশঙশিং অসি মাঙখ্রগনি।

***অদোমগী - লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতৈ, ময়াং ইম্ফাল মাইবম কোঞ্জিন***

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭

১। মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লান্দা ইরেংবম থুন্দাংবগী লান অসিসু অমনি। মী য়াম্না শিখি, মশামক ফারগা হাৎখিবনি।
(ক) ফম্বাল লান অদু করম্বা চহীদা থোকখিবগে?
(খ) ফম্বাল লান্দু থোকপা মতমদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "লৈরাংত লৈরাংনি ঐগী পামজবা শৈরেংদি/...মাগী নুংশি মঙলান্দা/শানৌ ঙাইহাক মাঙজরবা/য়ারে লৈরাং।" পরেংশিংসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "কৈশাম প্রিয়কুমারগী ৱারীমচা অমদা 'নোংনা ফূদিৎ ফুনা চুবা অহিং অমদা পাখঙমচা অমনা কোম তৌবা, অদুগা কোম অদুদা পাখঙদুমক ফূমজিনবীখিবা' উৎলি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "শাৎচনীংবনি লৈরাং কুন্দো ওইনা/নুংশি লংলাদা লেংজরগা/নঙগী ঙকশমদা হুক্লবা" পরেং অহুম অসিনা 'ঐবু লৌবা লাক্কনি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "হোৎনববু কল্লবদি মহয় শোয়দনা চায় উৎপা দ্রামা লাইরিক, 'কপ্পু কপনিংলকইদা' কৌবদুগী চীংমী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চীংদা উ য়ান্থৎপদগী মরূ কোক্লে অদুগা তমদনা উ কন্না থারি

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মতম খরগী মমাঙদদি উ থাবা মতমদা অপিকপা উ চারা থাবা উখি। উ চারা শেন্নকপা প্লাষ্টিক চেখাও মচা অদুগী মথক খজিক্তংনি উ চারা মতোন অদুনা থিনগৎলক্লিবসি। মদুনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম ফগৎহনবা উ থাবগী থৌরম কয়া তৌখি। ঙসিদি মালেম অসি শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলে। ঈশিং ফংদবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলে। মসিখক্তা নত্তে মতম চাদনা নোং কা হেন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাউ থোকপগী অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়াসু তাইবঙ মীওইবনা থেংনরি। উমং-ৱামং কোকথোকপা হেনগৎলকপদগী ওইরক্লিবা শাথিবা ফীভম অসিদগী কনবা ঙম্নবা হায়দুনা উ থাবগী থৌরম কয়া পায়খৎনরক্লি। মসিদা থাবা উরিবা উ অসি অপিকপা উ চারাশিং অদুগুম্বদু ঙসিদি কয়া উবা ফংদ্রে। লৈমায়দগী য়েংবদা ফুট অনী নৎত্রগা অহুম্মুক ৱাংবা উ পাম্বীশিং থাবা উরে। উ থাবগী থবকপু পাঙথোক্লবদি মসিগুম্বা মপূং হায়ফেৎ ফানা চাউরবা উ চারা/উ পাম্বী মচা ওইনা থানরে। মহৌশাগী ওল্লক্লিবা ফীভম অসিগুম্বা উ চারা থাবগী মওং-মতৌ অসিসু অওনবা কয়া লাক্লি।

হৌজিক য়াম্না কন্না ঙাঙনরক্লিবা ৱাফম অমদি উদি থাখ্রে অদুবু হৌবগী চাং অদুদি য়াম্না ৱাৎলে হায়বসিনি। অমরোমদা উ-চারা লৈবা, থানবা হোৎনবগী থবক পায়খৎপদা শেল য়াম্না চঙখিবদু থাখিবা উ চারাশিং অদু হৌবা ঙমদ্রবনিনা শেল অমদি মতম মাঙলে হায়বসিসু হায়নবা ৱা অমা ওইরে। মতম অমদদি থাখিবা উ চারাশিং অদু অপিকপা চারাশিং ওইবনিনা হৌবা ঙম্বগী চাং ৱাৎপননি হায়বা য়াই। মদু ওইরফাওবদা মতম অদুদদি নোং চুবগী চাং অদুম কায়খিদে হায়বা য়াই। অঙৈং-অশাগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলক্ত্রিবা মতম ওইবনিনা অপিকপা চারাশিং ওইরবসু থাখিবা উশিং অদু হৌবা ঙম্বগী ফীভম অদুদি অদুমক লৈবনি হায়নীংই। অদুবু হৌবা ঙম্বগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে। চুমসু-চুন্লিবনি চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরগী মফম কয়াদা লেপ্তুনা থারকখিবা উ-চারাশিং অদুনা শরুক চাম্মগী মনুংদা শরুক মরিফুখক্তং হৌরম্লবদি ঙসি ঙসিমক উ থাবগী য়াম্লবা শেনফম অমদি মতম মাঙলম্লোই। মহৌশাগী ফীভমসু হেন্না শোকচিল্লোই। এনভাইরনমেন্ট কন্নবগী মীয়ামদা অফবা পাউজেল পীবদা মাঙখিবা মমল য়াম্লবা মতম, মীয়ামগী শেল অদুনা মীয়ামগী কান্নগদবা থবক অমদা শীজিন্নরম্বসু য়াবনি। চহী খুদিংগী উ চারাশিং শেম্নবগী প্লান য়াৎলি, শেল কায়থোক্লি। মদুগীদক থবক শূনবা মী থল্লি। চহী খুদিংগী উ থারি মণিপুরগী মফম কয়াদা। মণিপুরগী মফমসি মরুওইনা তম্পাক্কী লম অসি য়াম্না পিকপা মফমনি। অপূনবা তম্পাক্কী পাক চাউবসি স্কৱার কিলোমিটর লিশীং অনী খরা হেনবখক্তনি। মসিগী অয়াম্বা শরুক্তি মী লৈবা মফমনা অয়াম্বনি। হোয় অমরোমদা পোৎ চৈ থাবা লৌবুক কয়াসু লৈরি। মসিনবু পাক চাউবা হেল্লি মী লৈনবা মফমদগীদি। অমরোমদা ইমুং-মনুং ওইনা মী লৈনদবা ওফিসকী য়ূম-কৈ কয়া, পোৎথোক পুথোকপা ইন্দষ্ট্রি কয়া, স্কুল কোলেজ কয়াসু লৈরি। লাক্লিবা ৱাফমদি উ থানবা মফম থোয়দোক্লা লৈত্রে হায়বসিনি। অদুম ওইনমক উ চারা পুথোকপশিং চহী খুদিংগী অদুমক উ চারাশিং পুথোক্লি। উ থাবসু চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। করম্বা মফমদবু থারিবা উ ময়ামসি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা? মসিনি ৱাহংদি।

মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদা উ থানবগী লম হেন্না-হেন্নদুম নোংম-নোংমগী পিকশিল্লক্লি করিনা হায়ববু মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইদুনা য়ূম কৈ কয়া শাজিল্লক্লি। অমরোমদা চহী খুদিংগী চারাশিং মীয়াম হুপ্না পাক্তক্লনা উ চারাশিং থাজিল্লি। উ থারিবসিনদি অহাংবা মফম লৈরে হায়বা তাকপনি। নাকল অমরোমদনা মীয়াম্না লমহাং কয়া খোপচিল্লি। উ, ৱা য়ান্থৎলি, তেমথোকই উমং-ৱামং অদুগা য়ূম-কৈ কয়া শাজিন্দুনা উ থাবা য়াবা অহাংবা মফম লৈরক্তে। অদুগা চহী খুদিংগী উ থারিবসিনদি উ থাগদবা মফম হায়বদি হান্নদগী উ থাবদা য়ৌদবা মফম কয়া লৈরি হায়বা তাকপনি। অদুবু হৌখিবা চহী ২০ হেনবগী মমাঙদগী উ থাবগী থবক তৌদুনা লাকপনিনা তম্পাক্কী লমদা উ থাগদবা মফম ইরৈ লৈরম্লরোই নীংই করিনা হায়ববু মী লৈনবা উ-ৱা হৌরম্বা মফম কোকথোকপগী থবক্লা উ থাজিনবগী থবক্তগী হেন্না তৌবনিনা। মসিগী ফীভম অসিদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা উ অদুমক থাফম লৈগদৌরিবরা? চহী খুদিংগী অদুমক উ থাবগী থবক তৌখিগদৌরিবরা? চহী কয়াগী মমাঙদা থাখিবা উ কয়া মপূং-মরৈ ফানা চাউবা উবসু থেংনরে। মখোয়শিং অদুগী মনাক্তসু অহাংবা মফম পরেং শানা উ হৌদনা চরন-চরন লৈবসু উবা ফংই। মসিনা তাকপদি থাখিবা উ খরা অমনা হৌরে অদুগা ফনা য়াম্বা অমনা হৌদ্রে হায়বা তাকপনি। অদুনদি মতম, শেল অমদি পাঙ্গল মাঙদনবা থাখিবা উ হৌনবা থবক লৌখৎপা চুম্মী। মতম খরা লৈরগা মীয়ামগী থবক পায়-খৎলক্কদবা মফমদদি উ থাজিল্লুবগী কান্নবা লৈতে, থাদবনা হেন্না ফৈ। থাখিবা উ অদুনা ঈশিং-নুংশিৎ শেংহনবগী মথৌ তৌবসু নংদনা য়ান্থৎখিগদবা ওইরবদি করি কান্নবা ? উ থারিবনি হায়দুনা মী য়াম্না কুংনা চৎপা লম্বীগী মপান্দা উ থাবা কান্নবা লৈতে। থারে হায়বগী মমিংখক্তনি। অতৈ উ হৌদবগী মরম ময়াম অমসু লৈরি। মসিগুম্বা কয়া অসি লৈবননি চহী খুদিংগী উ থাফম লৈরিবসি পিকখ্রবা তম্পাক্কী মফম অসিদা। ৱাহন্থোক লৈতবা থবক মাল্লক্লে।

চীংদদি উ থাবগী পাউ তাদে। চিন্দদি হায়রি মীয়ামসু অদুগা গভর্ণমেন্টসু চীংদা উ-ৱা হৌবগী চাং য়াম্না হন্থরে, মরূ ইকোক কোক্লে। নোংজু থাদা চীংদগী নোংগী ঈশিংনা লৈবাক-লৈহাও, শিংতেক-শিংনাং কয়া চেন্থদুনা পুথরকপদগী তুরেল খোঙনুং থেনগৎলে। মসিনা নোং খজিক্তং চুবদা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোক্লে। তম্পাক্তা লৈবা মীয়াম অৱাবা নংলে। নোংগী ঈশিং চীংদা হৌবা উগী মরানা ফাজিন্দুনা/চূপশিন্দুনা থমহৌগদবা অদু উ-ৱা মরূ কোক্লা য়ান্থৎখ্রবনিনা চূপশিনহৌদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা ওইরে চীং অমদি তমগী মীয়াম অনীমক্তা। লৈবাক লৈহাওগী মথক থংবা শরুকশিংদু নোংগী ঈশিংনা চেন্থরক্লবনিনা চানবা পোৎ চৈ থাবগী থবক য়াদ্রে। থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরক্লবা মতমদদি হায়নরক্কনি ঈশিং থিংগৎতুনা থল্লিবা দামগী অকোয়বদা হৌবা উ পাম্বীশিং পাক্তক্না য়ান্থৎপদগী ঈশিং তুংবা ঙমদবনি। চীংগী মী ৱাখল থেনমল্লি। লাম্মৈ থাদুনা পোৎ চৈ থারে, উ হৌদ্রে। মতম খরা লৈরগা লৈহাও লৈরক্ত্রবা মতমদা মফম অমদা অমুক চৎলগা লাম্মৈ থারে, উ-ৱা পূম্নমক তুম্মে। উ-ৱা য়ান্থৎলগা মখোয়গী হিংনবা পুন্সি লম্বী ওইনরে। মখোয়গী পুন্সি লম্বী ওইবদা মশামকসু হিংবদা ৱারে মীয়ামসু মদুগী অচৌবা চৈথেং ফংলে। পূম্নমক ৱামিন্নরে। অদুবু তম্পাক্তা মহৌশাগী খল মাঙথরক্লে হায়দুনা চহী খুদিং উ থাবগী থবক তৌরি। চীংদদি পাকশন্না উ থাবগী থবক লাম্মৈ থাখিবদগী মরূ ইকোক কোক্লবা মফমদা পাঙথোকখ্রে হায়বগী পাউ তাবা ফংদে। চীংদনা হেন্না উ থাফম থোকপনি, তম্পাক্তগীদি। থাদ্রিবসিনদি করি ৱাফম লৈরবা? তম্পাক্তগী নৎত্রগা চীংদগী লাপ্না য়েংবদা ইশং-শংনা উরি মসিরা? মদু ওইরগদি চীং মরূ কোক্লে দামদা ঈশিং তুংবা ঙমদ্রে, অকোয়বগী অঙৈং-অশাগী ফীভম শাথিনা ফৎত্রে হায়দ্রবসু য়ারে।

তম্পাক্তা উ থাবদগীদি চীংদা উ থাবনা কান্নবা য়াম্না হেনগনি। তম্পাক্তা উ থাবগী মরুওইবা কান্নবদি উ পাম্বীনা মীওইবা ঐখোয়না শ্বর হোনগদবা ওক্সিজেন মরাং কায়না থাদোরকপা, অঙৈংবা নুংশিৎ ফংহন্দুনা ওলাং-ওনশাওনবা হন্থহনবনচিংবনি। অদুবু নোংগী ঈশিং চূপশিলহৌদুনা দামদা থক্লবা ঈশিং লেপ্তুনা পীবগী থবক্তি তম্পাক্তা হৌবা উ-ৱাশিংনা তৌবা নৎত্রে। চীংদা হৌবা উশিংনদি মখোয়গী উ-ৱা ময়ামদুনা নোংগী ঈশিং অঙম্বা চীংথক্তগী থুনা চেন্থখিদনবা থিংদুনা থম্মী। মদুনা চীংদা ঈশিং মরাং কায়না পৈশিন্দুনা ঈশিং রিজার্ভর অমগুম থম্মী। মসিদগী দামগী কেচমেন্ট এরিয়াদা ঈশিং পৈশিন্দুনা থল্লগা তপ্না তপ্না মীয়ামগী থক্লবা ঈশিং পুথোক্লিবা দামদা থারক্লিবনি। চীংদা উ-ৱা ফজনা হৌরবদি চীং অমসুং তমগী মীয়াম অৱাবা ওইরোই। মণিপুর হায়বা লম অসি নোং মরাং কায়না তাবা লমনি। মহৌশা লাইরেম্বীনা ঈশিং মরাং কায়না লেম-পানা পী। অদুবু ঐখোয়না শীজিন্নবা হৈত্রে। মহৌশা লাইরেম্বীনা অফবা মখলগী শ্বর হোন্নবা পাম্বীদগী ওক্সিজেন পী। মীওইবদা কান্নদবা কার্বোন দাইওক্সাইদ চূপশিনখি। অশাবা নুংশিৎকী মহুত্তা অঙৈংবা নুংশিৎ পী। অদুগা চীংদা উ-ৱা পাক্তক্লনা য়ান্থৎলি, মরু কোকপমখৈ লাম্মৈ থাদোকই। চীং অমসুং তমগী মীয়ামদা য়াম্না হেন্না মাঙজরিবদি তম্পাক্তা হৌবা উ য়ান্থৎপদগীদি চীংদা হৌবা উ য়ান্থৎপনা মাঙজবা হেল্লি। চীংদা উ হৌদ্রগা তম্পাক্তা ঈশিং ফংদে অদুগা চীংদদি ঈশিং অদুম ফংই হায়বসি চৎনবা য়াবা ৱাফম নত্তে। চীং তম অনীমক ফংদে। তম্পাক্তসু চীংমী ময়াম অমা খুন্দাদুনা লৈরি। ঈশিং ফংদবদা মখোয়সু য়াওরি। চীংদা লৈহৌরিবশিংগী মরী-মতাশিংনি। মসিনা তাকপদি উ-ৱা য়ান্থৎলগা পুন্সি হিংনবা হোৎনবা শিনফমদি ইশাবু ইশানা হাৎতোকচনবা শিনবা অপংবগী থবকনি। মতমসি য়াম্না চাওখৎলে, উ য়ানবা নত্তবা অতৈ শেন্থোক লৈবা শিনফম তৌবনা চুমগনি। মসি চীংমী মশানা ৱাখল খন্থজবা মতম হেনখ্রে হায়নীংই।

গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না চীংমীশিংদা উ য়ানবা, লাম্মৈ থারগা মফম হোং-হোংদুনা পামলৌ উবা য়াম্না ফত্তে ঐখোয়দা অৱাবা নংই হায়বসি চহী কয়াগী মমাঙদগী পাউজেল পীদুনা, তম্বীদুনা লাক্লবসু কান্নবা ফংদ্রবনিনা মখা তাবা থবক লৌখৎপনা ফৈ খল্লি। উ থাবদি চীংদনা হেন্না থাগদবনি। মসিগী পাউ তাবনা হেন্না ফৈ। হৌজিক্তি তম্পাক্তা উ থাবগী পাউনা নিল্লে। চীংদা উ থাবগী পাউ অমত্তসু লৈতে। তম্পাক্তা তৌবগুম্না গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগা খূৎশন্নরগা চীংদা উ থাবগী থবক পাক শন্না তৌবীয়ু। চীংগী স্কুল, কোলেজ, ওফিস কয়াদা উ থাবা য়াওহনবীয়ু তম্পাক্তা তৌবা অসিগুম্না। দাম লৈবা কেচমেন্ট এরিয়াদা উ য়ান্থৎপা মীওইশিংদা অকনবা চৈরাক পীবিয়ু। মদুদা ফুরুপ/কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা মতেং পাংবা চুম্মী। থবক ওইনা পাঙথোকপদা মায় পাকহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী খূৎতা লৈরে।

# ইরমদম মণিপুরসি কমদৌরিবগে?

মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন

ইরমদম মণিপুর অসুক্কী মতিক নুংঙাইরি। নুংঙাইবা হৈবা মচাশিং পোকচবা ইমা মণিপুরনিনা, ইমা মাসু শোয়দনমক্কী নুংঙাইরমগনি খল্লি। লৈপাকসিগী মচি-মচি খুদিংমক্তা মরন্নাই হোমলেন্দ অমমমগী মঙলান্দা মচিন-মনাও চাউপোক-চাউপোকশিং মখৈনা মহৈ-মহৈ তাউনরি। শোমদনা মচা কোনশেংশিংসিনা লৈপাক্কী খুভম মুন্নরি, মহৈ-মহৈ মীচঙ খোম্নরি, মপাম্বোম-পাঙ্গল চাং য়েংনরি। য়েংনজসনু, অদুঙৈ মৈতৈ লৈপাক, মৈত্রবাকসিনা মালেম খুন্থোক্লমদাইদা সনামহী/পাখংবা মচিন-মনাও অনীনা মালেম নোঙ্খোং কোয়বা য়াও, মপাবুংগী ফম্বাল কোয়বা য়াও, মাগী-মাগী মপাঙ্গল-মরৌশিংশিং অমদি মীচং-শঙ্গনশিংগী চাং য়েংনখিবদুগুম, য়েংনজরসনু। লুরিবদি, মখোয় মচিন-মনাও ঙাক্তনা ফম্বান মুন্নজবদি অরায়বনি, মুন্নজসনু হায়'বু, লমগী ষণ মচি শাংবা কাঙবুশিংগী মখোঙ কোল্লুবনা, লমগী ষণগী অশাংবা মচি কিদবা য়ারকত্রিবসিনি। হন্দক্কী মপাবুং ইবুংঙোগী ফাঙ্খোং মুন্নবগী মতাংসিসু, লমগী ষণগী ৱায়েলদা চৎকদৌরিবা মাল্লি। ৱায়েল-কাটিনা চপ্পগা ফাঙ্খোঙ খিনগদৌরিবা মাল্লি। মসিনি, 'ঐখোয়গী মণিপুর'! ইরৈবাক ইরমদমসি অদুঙৈ বৃটিশনা পাল্লম্বদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা ইনীং তম্না হিংজবা ঙমদ্রিবসিনি। ঙসিগী ইরমদম মণিপুরসি লাঙখিগনি, য়াম্না ফজনা লাঙখগনি।




তোং-তোং তোংদুম্বী, চকৃক-নাকৃক চৱাইবী, থাদোই তেমমুনা... সনা-লৈপাক মণিপুরসিগী মায়কৈ খুদিংমক্তা, তং তানা অমদি মমুৎ তানা লোইশিন-খমজিনবগী থবক অমত্তসু উবা ফংদ্রি। চয়েৎনবা, লৈ-খায় তাদবা, পল্লেপফম খঙদবগী থৌদৌশিংতনা ইরমদমসিগী শরুক ওইরকপগুম, মায়কৈ খুদিংমক্তা নিংঙাই-শংদান্নবা, মুক্লবা, য়াইমুন্নবগী ফীভমশিংনা ইরৈপাকসিগী লৈতেংশিং ওইরক্লি। ইরমদমসিদা পোকমিন্নরবসু, চাউমিন্নরবসু ইমা অমত্তগী মচানি হায়নবগী পুকচেল সিমত্তংদি খক য়ানদ্রে হায়বসি ময়েক শেংলে-কো। কৈদৌঙৈদা খক তরাই-তরাইনা নুংশিনবা, নপশিন্নবা য়ানরুগবনো? লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়সু মুন্নবা, লাক্লবগী থবকসিদদি, য়েলহৌঙৈদগী হৌনা পামজনা হৌরকখ্রবা জাৎনি। মুক্লা, কাংজৈ, য়ুবী লাকপীনচিংবা মশান্নশিংগা লোয়ননা চাউরকপনি। লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংসি, শরিৎ-শরাক, থাঙ-তানচিংবগী মায়কৈদসু খক হৈনদনা লাকখিবা'মত্তা য়াওরক্তবনি। মৈত্রবাকসি মতম লৈবা খিবিক্তা অঙম-অঙম্বা শেত্তৎনবা, শেগায়নবা, ফোইদৎনবা, মফম খুদিংদা মচেৎ মকায় তানবগী ৱারী ঙাক্তনা পূমনিল নিলহনবসু শোয়দনা লায়না ঙমখ্রগদৌবনি, লাইখ্রবা পোৎনি। ঐখোয় মশেনগী মরক্তা মহৈ-মহৈ মীৎকুপ কাংদনা ফি শেম্নবগুম, মতম পূম্নমক্তা লাম্বাননবগীদমক শেম-শাদুনতা লৈনবসিসু লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংসিগী অচৌবা হৈনবী অমনি। ইরমদম ওইরুরবনিনা ৱাখলদদি অমুক্তং লমদমসি, অৱাবগী ঙমখৈ লান্থোক্তুনা, নুংঙাইবগী পনখৈ য়ৌবা লমদম অমা হায়বদু ময়েক শেংনা ওইহন্নীংই। অদুবু, খল্লুবা খুদিংমক্তদি ঐগী হায়বা ৱাফমসিদগী খক হেন্দোকপসি ইঙম হেক ঙম্নদে। অপূনবা সনা লৈপাক মণিপুরসি পূন্না ঙাকপা ঙমজদ্রবা মকসু, শুপ্নগী সনা লৈপাক কংলৈপাক মচেৎসি খক্তমক ওইনা ঙাকচবমক্তি, শোয়দনা ঙমজগনি খঞ্জরমগনি। মতাংসিদনি, কদাইনো মণিপুরগী চহী লিশীং অনী হেনবগী চেৎলবা পুৱারী লৈ হায়নরিবদুবু, হংনীংলক্লিবসি। ... ৱাফম সিৱাইদনি, লৈপাক্কী অরুবা ৱাফম হেক্তা ওইশিল্লক্লিবসি। মখা তাদনা, অতুম্বা মৈগী চীংগুম হায়নীংবা কয়া লৈরসু ইচিনসি ফাজিন্দুনা, তুমিন্না লৈশিনবসি খক্তনা ফগদৌরিব্রা? ঙাওরে, ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইসি পুংঙাও ঙাওরে।

ইরমদম মণিপুর মীয়ামগী চল্লবা ৱাখল্লোনশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মওং-মতৌশিং, য়ারিবা মখৈ অসুক্কী মতিক খেন্নহন্দনবা লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা হোৎনগদবনি। থম্মোয়গী অশেংবা মচুনা শঙবা নত্তনা, পোলিটিক্সনা মচু শংজিনখ্রবা চীনবানথোঙদগী থোক্লকপা ৱাহৈ-ৱাতাশিং খক্তনদি পূম্নমকসি, মণিপুরদা অমগা-অমগা অমত্তা ওইনা শমজিন্নবা খক ঙমগনি থাজদে। থৌদৌসিনা লৈঙাক অমদি মীচম-মীয়ামগী ৱাখল তামিন্নহনবসু লায়না ঙমগনিদি পাক হায়নীংদে। পাঙদিং মান্ননা চৎমিন্নরকপা য়াবা মণিপুরগী অনৌবা পুৱারী অমগী মমিসু হৌজিক-হোরেল পাক তাগদৌবা মান্দ্রি। মণিপুরদা ইনাকখুনবা কাঙবুশিংনা মী লৈদুনা বিজিনেস চত্থ-নীংবগী ৱাখল্লোন, লায়রবা কাঙবুশিংনা নোংমা নৎত্রগা নোংমা হায়দুনা শীংদুনা লৈরি হায়বসি খঙনদে। পূম্নমকসিগী মহয়না মণিপুরদা মথৌ তাবা মতমদা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎপদসু অসুক্কী মতিক অকায়-অতোয়শিং থোকহনগদৌরি। মরন্নাই ইনাক খুন্নীংবা কাঙবুশিংনা মণিপুরদা হুরান-লোন্নাদা শেন্দান-লম্বেল চত্থ-বদা শিবা-নাবা কিনদ্রি । শেল পাম্বা লৈঙাক্কী থৌমীশিংসু করপসনগী চাউগোইনুংদগী নান্থোকপা খক ঙমদ্রি। পূম্নমকসিগী মহয় ওইনা, লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী ফীভম অসুক্কী মতিক শোক্লক্কনি। টিনেজর গ্রুপকী নুপামচাশিং থোয়দোক-হেন্দোক্লা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংদা মপূক্লিং লূপশিনফি-খদুনা মহৈ-মশিনগী লম্বীশিংদগী থাপতোক্লকপা য়াই। ফীভমসিমক্লা ঙসিগী মণিপুরগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা পুৱারীগী তাঙ্ককসিদা, মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা নুপামচাশিংদগী মহৈ-মশীনগী লম্বীশিংদা মীকোক মীথোংবগী চাং অসুক্কী মতিক হেল্লকপা ওইরম্বসু য়াই। তশেংনা হায়রবদা, হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা য়েংলুবদা, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী তুংদা ওইরক্কদবা ফীভমশিং, ইশেং-শেংনা অকিবগী মশক পোকই। তশেংনা, মণিপুরদা লৈরিবা মথোঙ-মরম চাদবা, মরী-মখোঙ শম্নদবা, মওং-মরীল নাইদবা থৌদৌশিং, থবকশিং পূম্নমক্কী মশীংসি অমুক্তং পূন্না হন্থহনমিন্নবা মণিপুরগী লুচিংবশিং ৱাখল থাদবা মথৌ তাই।

ইরমদম মণিপুরগী মরায়বক্কী অতিয়াদা পল্লিবা অৱা-পোফমগী থৱান লিশীং-লিশীংশিংসি অফবগী খুদমশিং অমত্তা নত্তবনিনা, খুদক্তগী হৌনা লৌথোকখিনবা হোৎনগদবনি। ঙাইহাক লৈরগা অদু তৌরে, অদা তৌরে হায়বা ৱাথোক্তনা মণিপুর ইমাগী খ্বাং কোয়শিল্লকপগী থবক, লৈপাক মীয়ামগী অপাম্বগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈনি হায়বসি মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা খক কাউরোইদবনি। মপারী মমোম লাক্ষ কুলমঙারোম হেন্না চাক্লোন্ননা লৈমিন্নরিবসিবু মণিপুর ইমাগী মফমদা নোংমতা অফ-নুংঙাইবা পাউ অমত্তা তাহনবা ঙমদে। নুমিৎ চূপ্পগী থীকা তৌরগা শেল হুরানগনি, ভোট লেপ্লগা মীচম-মীয়ামগী চাকথুং মৎকনি, তিনফা-কাকফৈদগীসু হেন্না শাথিনা মীয়ামদগী ঈ চূপকনি হায়বরোমদা ওইনা অয়াম্বনা চৎখ্রে। খরা অমনা লৈঙাক্কী মথৌ তৌবগী মীংদা লায়র-অনংশিংগী মরৌ-মশিংশিং য়োন্থোকপগী শেঞ্জাওশিংদুতবু মীতারি। খরা ফগদ্রা হায়দুনা থম্বা, মীচম-মীয়ামগী মপোৎ-মরল মৎপশিং, হুরান-চিন্থি তৌবা তাকু-তাকতিশিং, মীহাৎ-মীপূন তৌবশিং ঙাকউ হায়দুনা লৈবা মণিপুরগী খাকী মচুগী য়ুনিফোর্মগী কাঙবুশিংসিনা মরোল অমা, চোংশিন-চোংশিন্দুনা মীচম-মীয়ামদগী নীবা য়াও, লাকপা য়াও, ফোইবা য়াও, য়ুনিফোর্ম শেৎপশিং সিখক্তবু য়েংবদসু মণিপুর ইমা ইবেম্মসি শোয়দনা চোকথরল্লদৌবা পোৎনি। খঙদ্রে, করম্বা মতমদনো মণিপুর ইমাগী মপারী মমোমশিং লাক্ষ ২৫ রোম হেনবসিনা অমুক্তং পূন্না ৱাখল তাথমিন্নরক্তুনা ইমাগী অচঙবা মপারী-মমোমশিং হায়বদু ওইরক্কদৌরিসি। মতমদুবু লাকপু লাকখিগদ্রনে? অমুক্তং লাকপু লাকপীরবদি মণিপুর ইমাসি ওন্থোক্লা পেঞ্জখ্রনি। হায়সু হায়বনি হায়ববু, মণিপুর হায়বা লমদমসি পিকচরবসু ৱাথোক-লান্থোক, নীংঙাই-শংদান্নবা অমদি হী-য়াই মুন্নবগী থবক্তদি অসুক্কী মতিক, অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদগী কোঙ্গায় অমা হেল্লি। হীরমসিদা ঐখোয় চেকশিনফম থোকই।